# মনিপুর অর্বান রোদ, দ্রেনেজ এন্দ এসেত মেনেজমেন্ত ইমপ্রুভমেন্ত প্রোজেক্ত (MURDAMIP)

## ইন্দিজিনস পীপল্স প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক

**প্রোজেক্ত মমিংঃ মনিপুর অর্বান রোদ, দ্রেনেজ এন্দ এসেতমেনেজমেন্ত ইমপ্রুভমেন্ত প্রোজেক্ত (MURDAMIP)**

## ইন্দিজিনস পীপল্স প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক কী মচঙ ওইবা শল্লপ্পা ৱারোল

### A. ৱাহৌদোক

ইম্ফাল সহর অসি ভারতকী রাজ্য  অমা ওইরিবা মনিপুরগী কোনুংনি। সহর অসি মনিপুর তম্পাক্কী, মপুং ওইনা ময়ায়থংবা শরুক্তা লৈ। ইম্ফালনা মনিপুরগী কোনুং ওইনা লৈবনা লৈঙাক্লোন, রাজনিতী অমসুং নাৎকী ওইবা থৌরমশিং, লোয়ননা অনৌবা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোরকপা থবকশিং পাঙথোকফম ওইরি অমসুং অরাপ্পা চীং অমদি তমগী খুঙ্গংশিংগী মীওইশিংসু (ইম্ফাল সহরদা হান্নদগী লৈজরল্লবা মীওইশিংদা নত্তনা) মফম অসিদা লৈনিংবা পোকহল্লি। মরম অসিনা, ইম্ফালগী মীশিং অসি য়াম্না থুনা হেনগৎলক্লি। মীয়াম্না ম্যুনিসিপালিতীনা কোন্বা মফমশিং অমসুং গ্রেতর ইম্ফালগী মনুংদা খুন্দানবা হোৎনৈ। ইম্ফাল সহর অমসুং মসিগী অকোয়বা (গ্রেতর ইম্ফালগী) মফমশিংগী লম্বী থোংগী ফীভমদি থোইদোক্লা অফবা ওইদে।

### B. প্রোজেক্ত অসিগী পান্দম

মনিপুর অর্বান রোদ দ্রেনেজ এসেত মেনেজমেন্ত ইমপ্রুভমেন্ত প্রোজেক্ত (MURDAMIP)না থম্লিবা মরুওইবা পান্দমদি গ্রেতর ইম্ফালগী মফমশিংদা লৈরিবা লম্বীশিং অমসুং ইম্ফাল সহরময়োলগী লম্বীশিং হেন্না মপাঙ্গল কলহন্বা, গারী থৌবদা নুংঙাইহন্বা, মতম কুইনা চঙহন্দবা অমসুং ইম্ফাল সহর ময়োলগী নোংথক্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইনা পুরিবা য়ুতিলিতী লাইনশিং লৈনুংদা পুবগী ফেসিলিতীসু পীরি। মসিনা লম্বীগী মতিং হেনগৎহন্দুনা, লম্বীদা পন্দুনা লৈবগী মতম অমসুং য়ুতিলিতী সর্ভিসশিং মফম হোংদোক হোংজিন তৌবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহন্বা হন্থহন্দুনা হেন্না নুংঙাইবা পুন্সি মহিং ওইহনগনি। মসিনা মফম অমদগী মফম অমদা চথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোং চাহনগনি।

অতোপ্পা মরুওইবা পান্দম অমনা ফন্দিং ৱাৎপা অমসুং মতমগা চানদ্রবা তেক্নিকেল ইনপুৎশিংনা মরম ওইরগা ফীভম শোক্লা লৈরিবা গ্রেতর ইম্ফালগী মফমশিংদা থৌরাং য়াথোক্তুনা, চাওখৎপা পুরক্লবগীদমক ইম্ফাল সহর মনুংদা লৈরিবা খনগৎলবা কিলোমিতর ৫৪৭.২৮১গী লম্বীশিং শেমগৎপগী থবক হৌবনি। রিজিদ পেবমেন্ত প্রোজেক্ত অসি লোইবা মতুংদদি, অফবা, নুংঙাইবা লম্বী ওইরবনিনা মেন্তেনেন্সকী হঞ্জিন হঞ্জিন চৎকদবা শেঞ্জং ইচঙ চঙলরোই।

### C. ইন্দিজিনস পীপল্স প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (IPPF) কী মথৌ তাবা

ইন্দিজিনস পীপল্স প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (IPPF)  না অখন্নমা তোঙান্না খন্নবিদুনা অমসুং ঙাকপি শেন্বিদুনা থম্বগী মথৌ তাবা তোপ তোপ্পা নাৎ, খুন্নাই, অমসুং লমগী হক্কী (লেন্দ রাইত) মতাঙদা য়েংশিল্লি। IPPF না হায়রিবা হকশিং অসি প্রোজেক্ত পায়খৎলকপা মতমদা শুকশোয় শোয়দনা ইকায়খুম্নবা অমসুং ঙাক শেন্দুনা থমগনি। দোকুমেন্ত অসিদা সবপ্রোজেক্তশিং খনগৎপা, স্ক্রীনিং তৌবা, কাঙলুপ খায়দোকপা অমসুং শেম শানবগী, অমসুং মখা তানা প্রোজেক্তকী কান্নবশিং পাক শন্না ফংবা হেনগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা সব—প্রোজেক্তশিংগী IPPF শেম শানবগী চৎন-পথাপশিং অমসুং প্রোজেক্ত পায়খৎলিবা মফমদা লৈরিবা ইন্দিজিনস পীপলশিং (IPs)গী সোসিও-ইকোনমী চাওখৎপা পুরকহন্বা পুন্সি মহিং ফগৎহন্বা য়াওরি।

ইন্দিজিনস পীপল্স প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (IPPF)  হায়বসি চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্তশিংনা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী হক, নাৎ, অমসুং নুংঙাই য়াইফববু ইকায়খুম্ননা চৎহন্নবা মথৌ তাবদুনি। মসিনা হায়রিবা ফুরুপশিং অসিগী তোপ তোপ্পা মীৎয়েঙ অমসুং থৌদাংবু শকখঙবা অমসুং হেন্না শরুক য়াহন্দুনা অমসুং থোং মান্নবা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বী অমা শেম্মি।

### D. ইন্দিজিনস পীপল প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (IPPF)কী স্কোপ

ইন্দিজিনস পীপল্স প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (IPPF) অমগী স্কোপ্পা চাওখৎ থৌরাংগী মীৎয়েঙদা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী তোপ তোপ্পা মথৌ তাবা, হক, অমসুং অনিংবা অপাম্বশিং ফংহন্নবা অখন্নবা শেম শারবা থৌওংশিং, চৎন-পথাপশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিং পুন্না কোনশিল্লি। IPP অসিনা য়েলহৌমীশিংগী মতাঙদা লৈরিবা Asian Infrastructure Investment Bank (AIIB) গী Environment and Social Standards (ESS) – 3 (Indigenous People) মথৌ তাবগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা চৈথেংশিং কোকহন্নবা থৌশিল, ৱাখল্লোনশিং, অমসুং থবক পায়খৎপগী মেকানিজম পীরি। প্রোজেক্ত মশক খঙদোকপা অমসুং সোসিএল ইম্পেক্ত এসেসমেন্ত মনুংদা, করিগুম্বা ইন্দিজিনস পীপল (IPs) অমা হেক্তা লৈ হায়বা খঙলবদি, প্রোজেক্ত কম্পোনেন্ত অদুনা শোকহনগদৌরিবা কাঙলুপ/ফুরুপশিংদা পীগদৌরিবা শাফু (অফবা অমসুং ফত্তবা অনিমক) শেম্লিবা ফ্রেকৱর্ক অদুগী মতুং ইন্না শোকহনগদৌরিবদু কোকহন্নবা থবক পায়খৎকনি। IPPF অসিনা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী নাৎকী লন, লোল, চৎনবীগী ৱাখল লৌশিং, অমসুং চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লুবা অমসুং য়োকখৎনবা মীৎয়েঙ থল্লি। মসিনা চাওখৎ থৌরাংনা পীরিবা প্রেসরশিং মায়োক্লুরকপদা মখোয়গী শক্তম অমসুং নাৎকী ইন্তেগ্রিতী ঙাক্লুবা পান্দম থল্লি।

## E. প্রোজেক্ত মফমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সেদ্যুল ত্রাইবশিং

চিরু ত্রাইব অসি তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং বিষ্ণুপুর য়াওনা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দাবা, মশাগী তোঙানবা গুন চেম্বা ফুরুপ অমনি। 'চিরু' হায়রিবা ৱাহৈ অসিগী মরুওইবা হৌরকফম অমা লৈরি। মসিনা তাক্লিবদি 'পাম্বী অমগী মরু' হায়বনি। হৌখিবা চহি কয়াসিদা, চিরু ত্রাইবনা ঈশৈ-নোংমাই, জগোয়গী ওইবা মচৎ অমা শেমগত্তুনা মনিপুর পুম্বগী নাৎ অসিগা পুন্না চৎমিন্নরি। মতৌ অসুন্না, চিরু ত্রাইবনা স্তেত অসিগী অতোপ্পা ত্রাইবশিংগা মান্নবা মশক অমা ঙাক্তুনা থল্লি। লৈফম তোঙাল্লবসু চিরু ত্রাইবকী তোঙান তোঙানবা লাইথৌ অমসুং থৌরমশিংদি ইমান মান্নে। চিরু ত্রাইবনা লৌউ-শিংউবগী শিনফম পায়দুনা মখোয়গী পুন্সি হিংনবগী লম্বী ওইরি অমসুং মখোয়গী নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবশিং ফংনবা লৌউ-শিংউগী থবক তৌই। চীংমায়শিং সিফ্তিং অমসুং ৱেত ফার্মিং তৌনবগীদমক চুনবা মফম ওইরি। মখোয়গী নুংতীগী মথৌ তাবশিং ফংনবা অমসুং লল্লোন ইতিক্কীদমক লফোই, কোম্লা, চমপ্রা, অৱাথবীনচিংবা মহী হোম্বা হৈশিং মরাং কায়না থাই। হায়রিবশিংসিগী মথক্তা, ময়ুমদা মশাগী খুৎশু-খুৎলায়গী মতেঙনা থবক শুদুনা অপীকপা ইন্দস্ত্রী/কোত্তেজ ইন্দস্ত্রীদা হৈথোই শিংথোইরবা মশিংদি য়ামদবা চিরু ত্রাইবকী মীশিং খরা লৈ। মখোয়না পুথোকচবা/শাজবা ফজরবা থুম্মোক, পোলাং অমসুং লীগী পোথোকশিং মনিপুরগী কৈথেলদা মীয়াম্না পান্নে। মনিপুরগী চিরু ত্রাইবশিংনা মখোয়গী মখুৎ নানবগী অমসুং কলাগী হৈ-শিংবা মতৌশিং, ফি শাবদা, উ শুবদা, অমসুং ঈশৈ নোংমাইগী খুৎশু খুৎলায়শিং শাবদা উথোক্লি।

চোথে ত্রাইবশিং অসি নাগা ত্রাইবশিংগা য়ান্না নক্নবা মরী লৈনৈ। 'চোথে' হায়রিবা ৱাহৈ অসি 'নুপামচা অমা পুরকপা নৎত্রগা পম্বা' হায়বনি। ত্রাইবেল ফুরুপ অসি চোথে, চৌতে, চাউতে হায়বা মমিংশিংদসু খঙনৈ। ত্রাইবেল ফুরুপ অসিনা মখোয়গী অরিবা মতমগী চৎনবী অয়াম্বা থাদোকখ্রে। অদুম ওইনমক, লুহোংবগী থৌরমদি খৃস্ত্যানিতী লাক্লুবসু অরিবা মতমগী চৎনবী ইন্দুনা পাঙথোকই। ৱাগী থুম্মোক শাবা, উমংদগী শীং চল্লগা অনকপা কৈথেলদা য়োনবনা মখোয়গী হিংনবগী লম্বী ওইরি। মখোয় খরনা লৌউ-শিংউগী থবক তৌই অদুবু লমদি অতোপ্পা ফুরুপশিংনা মপু ওই। লল্লোন ইতিক্কী থবকসু চোথে ত্রাইবশিংগী মরুওইবা শিনফম অমা ওইরক্লি। মখোয়না অৱাং নোংপোক ভারতকী ত্রাইবশিংগা লল্লোন ইতিক্কী মরী শেমগৎলে। ফিরোল, নীংথিরবা ক্রাফ্তনচিংবা পোথোকশিং মনিপুরগী কৈথেলশিং, -- পল্লেল, তেংনৌপল, ককচিং অমসুং ইম্ফালদা য়োন্নবগীদমক শাই।

চোথে ত্রাইবেল ফুরুপ্পা থেংনরিবা মরুওইবা খুদোংচাদবা ফীভমশিংগী মনুংদা অমদি লায়রবনি। শেল-থুম মরাঙ কায়দবনা মরম ওইদুনা মখোয় মহৈ মশিং ফজনা তম্বা, মচি ওইবা চিঙ্গাক্লুচিংবা নীংথিনা চাবা ঙমহন্দে।

হায়রিবা ত্রাইবেল ফুরুপ অসিনা খুন্দারিবা খুঙ্গংশিংদা মহৌশানা এদমিনিস্ত্রেসনগীদমক একজেক্যুতিব বোদী অমা শেম্মি। একজেক্যুতিব বোদী অসিবু শেন্ননবা/য়েংশিন্নবগীদমক ওপোজিসন অমসু শেম্মি। চোথে খুল অমগী গভর্নিং বোদীবু লৌকাল কৌই। ওপোজিসনবুনা লৌমি হায়না খঙনৈ। মসি ফুরুপ অদুগী চপ মান্নবা শাগৈগী মীওইশংনা মীহুৎ ওই। অনৌবা চোথে খুল অমা হেক লিংখৎপা মতমদা, মদুগী লুচিংবশিং ত্রাইব অদুগী শাগৈ খুদিংমক্কী মীহুৎশিংনা শরুক য়াবা কম্পিতিসন অমগী খুথাঙদা খল্লি। চোথে খুন্নাইদা মীত্রং অমসুং লাই শান্নবগী থাজনবী হৌজিকসু লৈরি। ঙসি ত্রাইবেল ফুরুপ অসিনা মপুং ওইনা খৃস্ত্যানিতী চৎলবসু, অরিবা চৎনবীগী লেমহৌবা পোৎলমশিংনা হিন্দু লাইশিং লাৎনরম্মী হায়বা উৎলি। ঈশৈ-নোংমাই হায়বসি অৱাবদা ওইরবসু অদুমক লোয়নদুনা চৎলি। অসুম্না জগোয় অমসুং ঈশৈসু মী শিবগা মরী লৈনবা থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইরি। সাসুহং অসি অচৌবা কুমহৈ অমনি। অফবা লৌরোক্কীদমক মরুওইনা পাঙথোকপা কুমহৈ অসিদা মীপুম খুদিংমক্না শরুক য়াই। মসিগী মথক্তা, খৃস্তমাস, নিউ ইয়র অমসুং গুদ ফ্রাইদেসু চোথে ত্রাইবশিংনা পাঙথোকই।

মনিপুরগী গাংতেশিং অসি কুকি ত্রাইবেল ফুরুপকী শরুক অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমগী থৌওং অমসুং থৌরমশিংনা গাংতে খুন্নাইগী মশক তাক্লিংঙাই ওইবা মচৎ খরনি। বোকপিথাহ হায়না খঙনবা কস্তমরী সেক্রিফাইস অসি তঙাই ফদে অমসুং চহি অহুম খুদিংগী অমুরক পাঙথোকই। মপা মপু খুরুম্বগী থৌরম অসি য়াম্না খঙবা অখন্নবা মাইবশিংনা খোচুক থিদুনা/শক্তুনা পাঙথোকই।

মারশিং অসি চিন-কুকি-মিজো কাঙলুপকী ত্রাইবশিংগী মনুং চল্লি। মার খুন্নাই অসি ক্লান সিস্তেমদা য়ুম্ফম ওই। শাগৈ খুদিংগী মখোয়গী ওইবা লোলথৈ অমমম লৈ অদুবু হৌজিক মতমদদি মার মীওইশিংনা শীজিন্নবা মান্নবা লোলথৈ অমা খৃস্ত্যান মিস্নরীশিংনা শেম্লে। ভিলেজ কাউন্সিলগী মকোকপু “লাল” কৌই। মহাকসি ‘লৈরি’ অমসুং ‘ফাইরেন’ নত্তবা শাগৈশিংদগী খ্বায়দগী অতোম্বা মচানুপাশিংদগী খল্লি।

মীপুম খুদিংমক্না মহাক্কী লুচিং অমসুং য়াথং ইল্লি। মার ত্রাইবশিংনা উমংগী পোথোকশিংদা তাংদুনা হিংই। মখোয়গী শেন্মিৎলোন অসি ত্রেদিস্নেল অমসুং সবসিদিয়রী শিনফম হায়না অনি থোক্লা খায়দোকপা য়াই। সিফ্তিং কল্তিভেসন্না মপুং ওইবা অমসুং চৎনরকপা শিনফম্নি অমদি য়োৎ শুবা, উ শুবা, য়েন-ঙানু লোইবা, থুম্মোক শাবা, মাইব খন্বা, মনা মশিংগী হিদাক শেম্বনা সবসিদিয়রী শিনফম্নি।

কবুইশিং (ইম্পুই নৎত্রগা রোংমৈ হায়নসু খঙনবা) অসি অৱাং-নোংপোক ভারতকী নাগা ত্রাইবশিংগী শরুক অমা ওইনা লৌই। ফুরুপ অমসুং লোলগী মতাঙদা, কবুই অসি মোঙ্গোলিয়ন ফুরুপকী তিবেতো-বর্মন কাঙলুপকী মখাদা লৈ। কবুই য়াওনা মোঙ্গোলোইদ কাঙলুপ খরনা য়াংজে অমসুং হ্বাং হো হায়রিবা চাইনাগী তুরেলগী মথক থংবা শরুক্তা খুন্দারম্মী হায়না থাজনৈ। ব্রিতিস মতমগী অরিবা ইথ্নোগ্রাফরশিংনা ইরম্বশিংগী মতুং ইন্না, মখোয় অসি মনিপুর স্তেতকী ত্রাইবেল ফুরুপ ৩৩গী মনুংদা অমনি।

খুঙ্গং খুদিংগী খুল্লাকপু (খুল্লাকপা) কৌবা মকোক অমা লৈ। পাইকাই কৌবা মীয়ামগী হাউস অমসু লৈ। য়েৎনবা ৱাফম খুদিংমক মসিদা ফোঙদোকই অমসুং ৱারোইশিন পুরকই। মীয়ামদা মখোয়গী তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোকপা য়াহল্লি, মদুগী তুংদা ফিরেপ লৌই। হুরান চিন্থি অমসুং তমথিবা ক্রাইমশিং মপুং ওইনা উদে। কবুইশিংগী খুন্নাইগী চৎনবী অসি নুপানা খুৎলিংই অমসুং শাগৈ পুন্নমক্কী মান্নবা থাক লৈ। মখোয়না ফুরুপ মনুংদা ময়ুম মকৈ পানবগী চৎনবী ঙাক্লা থম্নবা হোৎনৈ, অমসুং মচিন মনাও থোকপশিংগী মরক্তা য়ুম্বানমিন্নবা পাম্লে।

কবুইশিংগী লাইনিং মীওইবগী তঙায় ফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবশিংনা চাউনা লেপ্পি অমসুং মীত্রং অমসুং মীস্তিসিজম হেক হেক উবা ফংই। ত্রাইব অসিগী মীওই ময়াম অমা হৌজিকসু হান্নদগী লৈজরকপা ত্রাইবেলগী থৌওংশিং ইন্দুনা চৎলি।

সেক্রিফাইস অসি লাইশিংনা পেনবিনবগীদমক মথৌ তাই, মদু তৌদ্রবদি মখোয়গী অশাওবা ফুদোরকপা য়াই, অমসুং মদুনা মখোয়গী মহৈ মরোংশিং মাঙহন তাকহনগনি হায়না মখোয়না থাজনৈ। খৃস্ত্যান মিস্নরীশিং লাকপা হৌরকপা মতমদা, কবুই ময়াম অমা খৃস্ত্যানিতীদা ওন্নখি।

কোম ত্রাইব, মনিপুরগী সেনাপতী অমসুং চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্তশিংদা খুন্দাবা, অৱাং নোংপোক স্তেতশিংগী মরুওইবা ত্রাইবেল ফুরুপশিংগী মনুংদা অমনি। কোম হায়বসি মী অমসুং লোল অনিমক্কী মমিংনি। কোম হায়বসি কোম-রেম কৌবা হেন্না চাউবা কাঙলুপ অমগী শরুক অমনি। কোমরেমদা আইমোল, চিরু, কোইরেং, কোম অমসুং পুরুম হায়না খঙনবা অপীকপা ইন্দিজিনস ত্রাইব মঙা য়াওরি। কোম-রেম হায়বগী ৱাহন্থোক্তি 'লৈনুংহুৎ/শুরুং' (খুর) অমসুং 'মী' (রেম) হায়বনি। মসিদা য়াওরিবা ত্রাইব মঙামক্কা লৈনুংহুৎ/শুরুংদগী হৌরকপগী মান্নবা ৱারী/পুৱারী লৈ। ঙসিদি কোম-রেম নীংথিনা মশক খঙনবা ফুরুপ অমা ওইদুনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তাইনবা মফমশিংদা মরুওইনা খুন্দারি। কোম-রেম মীওইশিংগী 'কোম-তোং' হায়বদি 'কোম লোল' হায়না খঙনবা মান্নবা লোল অমা লৈ। মসিদা য়াওরিবা ত্রাইব পুন্নমক্কা লোল অসিগী খুথাঙদা পাউ ফাওনবা ঙম্মি। মখোয়গী লোলশিং হাইরপ হাইরপ ইমান্দা মান্নে অমসুং মখোয়গী চৎনবী থৌওংশিংসু মান্নে। মখোয়গী কোম-রেম বাপ্তিস্ত চর্চেস এসোসিএসন অমসুং য়ুনিয়ন্নচিংবা কম্মন ওইবা লুপশিং লৈ।

মাও নাগা ত্রাইব মনিপুরগী অচৌবা নাগা ত্রাইব অমনি। মাও নাগাশিংনা মনিপুরগী অৱাংথংবা শরুক্তা, অৱাংলোমদা অঙ্গামি অমসুং চাখেসাংনচিংবা মান্নবা নাগা ত্রাইবশিং, নোংচুপ অমসুং খারোমদা মরাম নাগা অমসুং জেমে নাগা, অমসুং নোংপোক্লোমদা তাঙ্খুল অমসুং পৌমাই ত্রাইবশিংনা কোয়শিন্দুনা খুন্দাই। মাও নাগাশিংনা তিবেতো-বর্মন লোল কাঙলুপকী অঙ্গামি-পোচুরি কাঙলুপকী মনুং চম্বা 'মাও' নৎত্রগা 'ইমেলা' লোল ঙাংই। মাও লোল অসি ওফিসিএল ওইনা শকখঙলবা লোল অমনি অমদি স্তেত অসিগী স্কুলশিংদা সবজেক্ত অমা ওইনা তম্নৈ। মখোয়দা নুপানা খুৎলিংবা অমসুং নুপাগী শাগৈদা চাদা নাওদাবা খুন্নাইগী মচৎ লৈ, নুপী লোন্নদে অমসুং তোঙান-তোঙান চানৈ। মাও ফুরুপ্পা ইমুং অমগী মচানুপা খ্বায়দগী অহল অমসুং অতোম্বদা মরুওইবা মীৎয়েঙ থম্নৈ মরমদি মখোয়না মপাগী শাগৈগী লনথুম ফংহৌই। মখোয় মশাগী 'ওপফুপে চুনা' কৌবা ৱাহন্থোক্কা পারী পুরীগী লাইনিং কৌবা মহৌশাদগী চৎনরকপা লাইনিং লৈজে। মখোয়না 'ওরামৈ' কৌবা খ্বায়দগী অথোয়বা ঈশ্বর অমা লৈ হায়না থাজনৈ। মাও নাগাগী মী অয়াম্বনা খৃস্ত্যানিতীদা ওনখ্রে। চৎনবীগী মতুং ইন্না, মাও নাগা অসি লৌউ-শিংউবনা শিনফম ওইবা ফুরুপ্নি। মখোয়না পাম্লৌ উই অমসুং ফৌ, চুজাক, আলু, কোবী, মোরোক, খামেন অশিনবীনচিংবা তোঙান তোঙানবা মখলগী মহৈ মরোংশিং থাই।

মরাম ত্রাইবশিং অসি অৱাং নোংপোক ভারতকী মনিপুরগী সেনাপতি দিস্ত্রিক্তা খুন্দাবা নাগা ত্রাইবকী সব-ত্রাইবশিংগী মনুংদা অমনি। মখোয় মরুওইনা সেনাপতি দিস্ত্রিক্তকী তদুবী সব-দিভিজন্দা লৈ। মখোয়সি ভারতকী প্রিমিতিব ত্রাইবেল কাঙলুপকী লিস্তা য়াওবা মনিপুরগী অমত্তা ঙায়রবা ত্রাইবনি। মখোয় মোঙ্গোলোইদ ফুরুপকী তিবেতো-বর্মন কাঙলুপকী শরুক অমনি। লোলগী মীৎয়েঙদা, মখোয় অসি সিনো-তিবেতো কাঙলুপকী সব-ফেমিলী মনুং চল্লি। মরাম ত্রাইবশিংনা লৌউ-শিংউবগী থবক তৌই অমসুং লৌউ-শিংউবগী থবক থৌওং পুন্নমক মখোয়গী চৎনবীগী মতুং ইন্না পাঙথোকই। মফম হোং-হোংদুনা লৌ উবনা মখোয়গী মরু ওইবা লৌউ-শিংউবগী থৌওংনি। মখোয় ৱেত কল্তিভেসনসু তৌই। মখোয়না ঝুম কল্তিভেসন তৌদুনা ফৌ, চুজাক, চনান, হৱাই, মাইরেন, য়াইঙং, শিং, মোরোক, থবী, খোঙদ্রুম, লৈবাক মংগ্রা/মংগ্রা অঙাংবা, পান থাই। শা তানবনা মরাম ত্রাইবশিংগী অনিশুবা শিনফন্নি। মখোয়না মনাক নকপা উমংশিংদা মখোয়না উবা শা নৎত্রগা উচেকশিং তাল্লি। থুমোক শাবসু মরাম ত্রাইবশিংগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা শিনফন্নি।

পাইতে ত্রাইব মিজোরমগী অৱাং-নোংপোক অমসুং ময়ায় থংবা শরুক্তা খুন্দাবা ফুরুপ্নি। কাঙলুপ অসি তিবেতো-বর্মন কাঙলুপ্তগী হৌরকপনি। মখোয় খরনা লুংলৈ দিস্ত্রিক্তকী ময়ায় থংবা শরুক্তসু খুন্দাদুনা লৈ। মখোয় কয়া অমনা মনিপুরগী

চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্ত, ত্রিপুরা অমসুং বর্মাগী চিন স্তেতনচিংবা অতোপ্পা মফমশিংদসু খুন্দাদুনা লৈ। পাইতেশিং অসি মনিপুর অমসুং মিজোরম অনিমক্তা শকখঙলবা সেদ্যুল ত্রাইব অমনি। পাইতেগী মী পুন্নমক্লা খৃস্ত্যানিতী চৎলি, মরুওইনা বাপ্তিস্ত, লুথেরন্স, পেন্তিকোস্তেল, চর্চ ওফ খ্রাইস্তনচিংবা প্রোতেস্তেন্ত কোইনেজশিং ইল্লি অদুবু মীওই কয়া অমসু রোমান কেথোলিক চৎলি। মখোয়না ব্রিতিস মিস্নরীশিং চঙলকখিবা ১৯শুবা চহিচাগী মতমদগী খৃস্ত্যানিতী লৌখি। পাইতে হায়রিবা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক্তি "মীওই কাঙলুপ অমা মাঙদা চঙশিনবা" হায়বনি। পাইতে ত্রাইবকী মপুং ওইবা হিংনবগী লম্বীদি লৌউ-শিংউবনি।

থাদৌ মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চাইথোক্তুনা খুন্দারিবা ত্রাইবেল ফুরুপশিংগী লিস্তা য়াওবা ত্রাইবশিংগী মরক্তা অমনি। মনিপুরগী সেদ্যুল ত্রাইব অমা ওইরিবা থাদৌ ত্রাইব অসি স্তেত অসিগী দিস্ত্রিক্ত অয়াম্বদা খুন্দাদুনা লৈ।

মখোয়গী হৌরক ৱারীগী মতুং ইন্না মখোয় অসি ইম্ফাল তুরেল হায়না মীয়াম্না খঙনবা গুন তুরেলগী হৌরকফমদগীনি হায়না লৌনৈ। থাদৌ ত্রাইবনা থাদৌ লোলদা ৱারী শানৈ। মখোয় মনা মশিং চাবা মরম্না, মখোয়না মনা মশিংগী মথেল মখল পুন্নমক্কী মহাও খঙই। হায়রিবশিংসিদা চাক, চুজাক, চনান, অমসুং মনা মশিং মখল পুন্নমক য়াওরি। মখোয়না খ্বায়দগী পামজবশিংগী মরক্তা 'জু' অসি অমনি। মসি চেঙ নৎত্রগা চুজাক্তগী শেম্বা অখন্নবা থক্লবা মহী অমনি। মখোয়না লৌউ-শিংউবু মখোয়গী মরুওইবা শিনফম ওইনা লৌই।

## F. লিগেল অমসুং পোলিসী ফ্রেমৱর্ক

সেদ্যুল ত্রাইব (ST) হায়বসি ভারতকী সংবিধান্না (১) প্রিমিতিব ত্রেতশিং (পারী পুরীদগী চেল্লকপ গুন অমসুং শওং শাদা), (২) তোপ তোপ্পা নাৎ, (৩) ময়ামদগী তোখাইনা লৈবা মফম, (৪) খুন্নাই অমসুং শেন্মিৎলোন্দা শোত্থবা, অমসুং অতৈ ফীভমশিং য়েংলগা শকখঙবনি। অদুম ওইনমক ত্রাইব অমা মশক খঙদোকপা হায়বসিদি স্তেত সবজেক্তনি। মরম অদুনা সেদ্যুল ত্রাইব অসি মখোয় মখোয়গী স্তেতশিংনা হায়রিবা ফেক্তরশিং অসিদগী অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্বা মওং মতৌ য়েংলগা লেপ্পনি। মনিপুর স্তেতকী ওইনা নোতিফাইদ তৌরিবা ত্রাইবশিং অসি মনিপুর খক্তদা সেদ্যুল ত্রাইব ওইগনি, অমসুং অতৈ স্তেতশিংদদি মখোয়গী কাঙলুপ অসি খেন্নবসু য়াই।

ত্রাইবশিং মশক খঙদোকপা অসি স্তেত সবজেক্তনি। মরম অদুনা সেদ্যুল ত্রাইব অসি মখোয় মখোয়গী স্তেতশিংনা হায়রিবা ফেক্তরশিং অসিদগী অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্বা য়েংলগা লেপ্পনি।

### ভারতকী সংবিধান

ভারত সংবিধানগী মখাদা, ST শিং মশা ঙাকথোক্লবগীদমক হাপ্লিবা/য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা আর্তিকলশিং মখাদা পীরি:

(১) আর্তিকল ১৪ – পুন্নমক্তা মান্নবা হক অমসুং খুদোংচাবশিং পীরি।

(২) আর্তিকল ১৫ – নুপা-নুপী, লাইনিং, ফুরুপ অমসুং কাস্তনচিংবদা য়ুম্ফম ওইরগা সিতিজন অমত্তদা মান্নদবা মীৎয়েঙ য়েংবদা অথিংবা থম্লি।

(৩) আর্তিকল ১৫(৪) – স্তেত্তা খুন্নাইগী অমসুং মহৈ মশিংগী লমদা শোত্থহৌরবা কাঙলুপ লৈরবদি মখোয়গী খুমাঙ চাওশিলহন্নবা অখন্নবা প্রোভিজন শেম্নবা হায়রি।

(৪) আর্তিকল ১৬(৪) – শোত্থহৌরবা মীওই কাঙলুপশিং থবক হাপ্পবা নৎত্রগা ফমশিং হাপ্পবা রিজর্বেসনগী প্রোভিজন শেম্নবা স্তেত্তা মপাঙ্গল হাপ্লি।

(৫) আর্তিকল ৪৬– মতু শোন্বা মীওইশিং অমসুং ST শিং মহৈ মশিং অমসুং শেন্মিৎলোনগী য়াইফনবগীদমক অখন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা অমসুং মখোয়বু খুন্নাইগী অরানবা ৱায়েল অমসুং মখল পুন্নমক্কী ওৎপি নৈবিবদগী ঙাকথোক্লবা স্তেত্তা হায়রি।

(৬) আর্তিকল ২৭৫(১) –ST শিংগী য়াইফনবগীদমক অমসুং সেদ্যুল এরিয়াশিংদা লৈঙাক্লোনগী থাক ৱাংখৎহন্নবা গ্রান্ত-ইন-এদ ফংহন্নবা ৱাফম থম্লি।

(৭) আর্তিকল ৩৩০, ৩৩২, অমসুং ৩৩৫ – লোক সভা অমসুং স্তেত লেজিসলেতিব এসেমব্লীশিং অমসুং থবক লৌবদা ST (Indigenous People)শিংগী সীত খাক্তুনা থম্নবা ৱাফম পল্লি।

(৮) আর্তিকল ৩৪০ – খুন্নাইগী অমসুং মহৈ মশিংগী লমদা শোত্থহৌরবা কাঙলুপশিংগী ফীভম থিগৎনবা কম্মিসন অমা শেম্নবা স্তেত্তা মপাঙ্গল হাপ্লি: অমসুং

(৯) আর্তিকল ৩৪২ – সেদ্যুল ত্রাইবশিং (STs) নি হায়বা লেপথোক্লনবা ত্রাইবশিং নৎত্রগা ত্রাইবেল কম্মুনিতীশিং আর্তিকল অসিগী মতেঙনা লেপথোক্লি।

ভারত লৈঙাক্লা মরুওইনা এক্ত/পোলিসীগী খুথাঙদা সেদ্যুল ত্রাইবশিং শকখঙলি অমসুং মখোয়গী হকশিং ঙাকথোক্লবা পান্দম থম্লি।

(১) দি সেদ্যুল কাস্ত এন্দ দি সেদ্যুল ত্রাইব্স (প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিতিজ) এক্ত, ১৯৮৯না সেদ্যুল কাস্ত/ সেদ্যুল ত্রাইবশিংবু (ক) মখোয়না মপু ওইবা নৎত্রগা মখোয়দা পীবা নৎত্রগা কম্পিতেন্ত ওথোরিতী অমনা সেদ্যুল কাস্ত নৎত্রগা সেদ্যুল ত্রাইবকী মীওই অমদা পীনবা নোতিফাইদ তৌরবা লমশিং অরান্বা মওংদা লৌশিনবা নৎত্রগা মহৈ মরোং থাজিন্বদগী নৎত্রগা মখোয়দা পীবা লম ত্রান্সফর তৌবদগী; (খ) সেদ্যুল কাস্ত নৎত্রগা সেদ্যুল ত্রাইবকী মীওই অমবু মহাক্কী লম নৎত্রগা মফমদগী অরানবা মওংদা তান্থোকপা নৎত্রগা লম, অকোয়বগী নৎত্রগা ঈশিং শীজিন্নবদা লৈরিবা হক ফংহনবদা অয়েৎপা পীবদগী; অমসুং (গ) সেদ্যুল কাস্ত নৎত্রগা সেদ্যুল ত্রাইব অমবু মহাক্কী ময়ুম নৎত্রগা খুল নৎত্রগা লৈফম অমা হেক্তদগী নমদুনা তান্থোকপা/ শোকহনবদগী ঙাকথোক্লি।

## G. গ্রীভান্স রিদ্রেস মেকানিজম

গ্রীভান্স রিদ্রেস মেকানিজম (GRM) হায়বসি প্রোজেক্ত মফমদা রিসেত্তলমেন্ত এন্দ রিহেবিলিতেসন ওফ এফেক্তেদ পীপল (R&RAP) অমসুং শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌওংশিং পায়খৎপা হৌরকপা মতমদা শোকহল্লবা মীওইশিংদগী লাকপা ৱাকৎ, য়েৎনবা, নৎত্রগা গ্রীভান্স ৱাখৈনবা অমসুং ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক শেম্বা মওং মরিল নাইবা সিস্তেম অমনি। ৱাকৎ তাননবা প্লেৎফোর্ম অমা শেমগদবনি অমসুং মীয়াম্না মখোয়গী ৱাকৎশিং থাঙ্গৎলকপা য়াহন্নবগীদমক মসিগী মীফমশিং চাং নাইনা পাঙথোকপিবা য়াই। মসিনা মরম ওইদুনা ময়াম্না থম্লকপা ৱাফম অমদি ৱাকৎশিং নাকল অনিমক্কী কায়দনবা মওংদা ওথোরিতীনা ৱাখৈনবা খন্নবদা মতেঙ ওইগনি। প্রোজেক্তসি, ৱেব-বেজ মেকানিজম ওইবগী মথক্তা, থাক অহুম নাইনা ৱাকৎ ৱাখৈনবগী মেকানিজমশিং হায়বদি, (1) প্রোজেক্ত মফমগী থাক্তা, (2) PMUগী থাক্তা, অমসুং (3) স্তেতকী থাক্তা লৈগনি। করিগুম্বা অৱাবা নংলবা মীওই অমনা থাক অহুম্মকসিদা পেন্দ্রবদি, মহাক্না জুদিসিয়রীদা চৎনবগী হক পুন্নমক লৈ।

**ৱেব বেজ গ্রীভান্স মেকানিজম2:** করিগুম্বা ৱাকৎশিং তোল ফ্রী নম্বর নৎত্রগা ৱেব-বেজ সিস্তেমদা ফংলবদি-লাক্লবদি হায়রিবা অদু য়েংশিন্নবা অমসুং ৱারোইশিন পুরক্লবগী মরী লৈনবা দিভিজনশিংগা ঈ-পাউ ফাউননবা মীওই অমা ইন-চার্জ ওইহনগনি। ইন-চার্জ ওইরিবা মীওইদুনা ৱাকৎ অদুগী মওং মতৌগী মতুং ইন্না, হায়রিবা

অদু মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা থাগনি। অসিগুম্বা ৰাকৎ পুন্নমক্কী তিকেৎ নৎত্রগা য়ুনিক (অতোপ্পগা মান্নদবা তোঙানবা) নম্বর অমা পীগনি। ৰাকৎলোয় অদুনা হায়রিবা য়ুনিক নম্বর অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মহাক্কী ৰাকৎ মখা তানা চথগনি। কোল অমসুং পাউজেল খুদিংমক নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা পাউখুম হনগদবনি। করিগুম্বা পাউখুম অমা নুমিৎ ১৫গী মনুংদা ফংদ্রবদি, ৰাকৎ অদু প্রোজেক্ত দাইরেক্তরদা থাঙ্গৎকনি।

তিয়র ১: (সাইত লেভেল): প্রোজেক্ত অসিগী মখাদা, PIU গী মরী লৈনবা একজেক্যুতিব ইঞ্জিনিয়রনা ৰাকৎ অমসুং ফীদবেক লৌনবা, ৰারোয়শিন পুরক্নবা, অমসুং রেকোর্দ থম্নবগী ফোকেল পোইন্ত ওইগনি। একজেক্যুতিব ইঞ্জিনিয়র অদুদা (১) কন্সত্রক্সন সুপরভিজন কন্সলতেন্ত; (২) RP ইমপ্লিমেন্তেসন এজেন্সী; (৩) ভিলেজ লেভেল কম্মিতী; অমসুং (৪) প্রোজেক্তনা শোকহল্লপা মীওইশিংগী মীহুৎ অমম্না ঙাক্লৌ পীগনি। করিগুম্বা ৰাকৎ নৎত্রগা য়েৎনবা ৰাফম অমা থাক অসিদা ৰাকৎ থাঙ্গৎলকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ৰারোয়শিন পুরকপা ঙমদ্রবদি, ৰাফম অদু ৰাতেন্নবগীদমক PMU গী থাক্তা পুখৎকনি।

তিয়র ২: (PMUগী লেভেল) করিগুম্বা অৰাবা নংলিবা মীওই অদুনা সাইত লেভেল গ্রীভান্স সেলগী ৰায়েল অদুদা পেন্দ্রবদি, মহাক্না ৰাকৎ অদু PMU লেভেল গ্রীভান্স রিদ্রেসেল সেলদা থাঙ্গৎকনি। তিয়র ২ সেল অসি প্রোজেক্ত দাইরেক্তরগী চেয়রমেনসিপ মখাদা লৈগনি। মসিদা য়াওগদবা অতে মেম্বরশিংদি (১) সেনিয়র প্রোজেক্ত মেনেজর EAP, (২) মরী লৈনবা সি-দিভিজনেল ওফিসর / সব-দিপুতী কল্লেক্তর, (৩) PMUগী সোইএল স্পিসিএলিস্ত, অমসুং (৪) RP ইমপ্লিমেন্তিং এজেন্সীগী তীম লীদরনি। করিগুম্বা অৰাবা নংলিবা মীওইদু ত্রাইবেল ফুরুপগী মনুং চল্লবদি, ত্রাইবেল ভিলেজ অদুগী হেদপু GRCদো য়াওনবা কৌগনি। PMU না অৰাবা নংলিবা মীওইশিং নৎত্রগা য়েৎনরিবা পার্তীশিংদা নুমিৎ ২১নিগী মনুংদা পাউ পীগদবনি।

তিয়র ৩: (স্তেত লেভেল). অৰাবা নংলিবা মীওই অদুনা করিগুম্বা PIU লেভেল গ্রীভান্স সেলনা তারকপা ৰায়েলদা পেন্দ্রবদি, স্তেত লেভেল GRCদো চৎপা য়াই। স্তেত লেভেল অসি মনিপুর লৈঙাক্কী এদমিনিস্ত্রেতিব সেক্রেতরী (ৰর্ক্স)না লুচিংগনি অমসুং (১) প্রোজেক্ত দাইরেক্তর, (২) দিপুতী কম্মিস্নর নৎত্রগা ADM রেঙ্কতগী তাদবা মহাক্কী মীহুৎ অমা, (৩) দাইরেক্তোরেত ওফ এনভাইরনমেন্ততগী মীহুৎ অমা অমসুং (৪) জিলা পরিসদকী মেম্বর অমনা ঙাক্লৌ পীগনি। স্তেত লেভেল গ্রীভান্স সেলনা ৰাকৎ ফংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৩০ গী মনুংদা মাগী ৰাখল্লোন ফোঙদোক্কদবনি।

জুদিসিয়রী: অৰাবা নংলিবা মীওই অদুনা করিগুম্বা স্তেত লেভেল গ্রীভান্স সেলগী ৰায়েলদা পেন্দ্রবদি, জুদিসিয়রীদা চৎনবগী হক লৈগনি। করিগুম্বা মীওই অমনা জিদিসিয়রীদা চৎপা পাল্লবদি প্রোজেক্ত অদুনা পাংবা য়াবা মতেঙ পুন্নমক পাংগনি। মসিদা দিস্ত্রিক্ত কম্মিস্নর অমসুং লিগেল কোর্তশিং য়াওরি। করিগুম্বা ৰাফম অদুগী ৰারোয়শিন পুরকপা ঙমদ্রবা নৎত্রগা GRCগী ৰাংমদা লৈখ্রবদি, মদু দিস্ত্রিক্ত কম্মিস্নরগী ওফিস নৎত্রগা লিগেল কোর্ত অমদা পুখৎপা য়াই

## H. ইনফোর্মেসন দিসক্লোজর, কনসল্তেসন অমসুং পার্তিসিপেসন

কনসল্তেসন প্রোসেসকী দোকুমেন্তেসন অমসুং সোসিএল ইম্পেক্ত এসেসমেন্তকী রিজল্তশিং য়াওনা ইন্দিজিনস পীপল্স প্লানগী ইনফোর্মেসন দিসক্লোজর, কনসল্তেসন অমসুং পার্তিসিপেসনশিং মতম চানা, প্রোজেক্ত এরিয়াদা, মফম চাবা অমদা, অমসুং শোকহল্লিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংনা খঙগদবা মওং অমসুং লোলদা ফোঙদোক্কনি অমসুং অতৈ স্তেকহোল্দরশিংনা, মরুওইনা মীওইশিং অদুবু শোকহল্লিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্তশিংগী মতাঙদা লৈরিবা ইনক্লুসিব অমসুং ত্রান্সপেরেন্ত দিসিজন-মেকিং প্রোসেসকী মরুওইবা কম্পোনেন্তশিংনি।

হায়রিবা মচাকশিং অসি চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্তশিংগী লেজিতিমেসী, ইফেক্তিবনেস, অমসুং সস্তেনেবিলিতী লৈহন্নবগীদমক মরুওই। মখোয়না স্তেকহোল্দরশিংবু, মরুওইনা শোকহল্লিবা মীওইশিংবু, মরম চানা এঙ্গেজ তৌবা,

মখোয়গী খোঞ্জেল তাবিবা, অমসুং মখোয়গী পুন্সি অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা ইথিল পীগদবা ফিরেপশিং লৌবদা থৌদাং য়াহনবা ঙমহল্লি।

## I. ইমপ্লিমেন্তেসন এরেঞ্জমেন্ত

প্রোজেক্ত অসিগী একজেক্যুতিং এজেন্সী মনিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্তমেন্তনা ওইগনি। প্রোজেক্ত দাইরেক্তরনা লুচিংবা PMU অমা লৈগনি। PMU অসিনা প্রোজেক্ত পায়খৎপগী থবক মপুং ওইনা পানগনি, অদুগা লম লৌশিনবগী থবক্কা মরী লৈনবা দিস্ত্রিক্তকী দিপুতী কম্মিস্নর/দিস্ত্রিক্ত কল্লেক্তরনা তৌগনি।

PWD মনিপুরগী ইম্ফাল ইস্ত, ইম্ফাল ৱেস্ত, অমসুং হায়ৱে সাউথ হায়রিবা দিভিজন খুদিংগী প্রোজেক্ত ইমপ্লিমেন্তেসন য়ুনিৎ (PIU) অমমম লৈগনি, য়ুনিৎশিং অসি মখোয় মখোয়গী মরী লৈনবা একজেক্যুতিব ইঞ্জিনিয়রশিংনা লুচিংগনি। PMU অসিনা সোসিএল স্পিসিএলিস্তকী সর্ভিস নেক্কনি, মখোয়না, RP ইমপ্লিমেন্তিং এজেন্সী অমসুং কন্সত্রক্সন সুপরভিজন কনসল্তেন্ত (CSC) না চৈঙাক পীদুনা IPP পায়খৎপদা PIU বু লমজিংগনি।

## J. রিপোর্তিং

প্রোজেক্ত অসিগী একজেক্যুতিং এজেন্সী মনিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্তমেন্তনা ওইগনি। প্রোজেক্ত দাইরেক্তরনা লুচিংবা প্রোজেক্ত মেনেজমেন্ত য়ুনিত (PMU) অমা লৈগনি। PMU অসিনা প্রোজেক্ত পায়খৎপগী থবক মপুং ওইনা পানগনি, অদুগা লম লৌশিনবগী থবক্কা মরী লৈনবা দিস্ত্রিক্তকী দিপুতী কম্মিস্নর/দিস্ত্রিক্ত কল্লেক্তরনা তৌগনি।

PWD মনিপুরগী ইম্ফাল ইস্ত, ইম্ফাল ৱেস্ত, অমসুং হায়ৱে সাউথ হায়রিবা দিভিজন খুদিংগী প্রোজেক্ত ইমপ্লিমেন্তেসন য়ুনিৎ (PIU) অমমম লৈগনি, য়ুনিৎশিং অসি মখোয় মখোয়গী মরী লৈনবা একজেক্যুতিব ইঞ্জিনিয়রনা লুচিংগনি। হায়রিবা PIU শিং অসিনা মাগী মাগী দিভিজনশিংগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিংগী রিপোর্ত PMU দা পীখৎকনি, পুন্নমক অদুবু খোমজিল্লগা PMU না মথৌ তাবগী মতুং ইন্না লৈঙাক্তা নৎত্রগা Asian Infrastructure Investment Bank (AIIB) দা পীখৎকনি। মথৌ তারবদি, রিপোর্ত অদু চীফ ইঞ্জিনিয়র, পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্তমেন্তকী খুথাঙদা পীগনি।